# ইলিনা সভিটৌলিনানা পেং শুআইবু মায়থীবা পীদুনা টাইৱান টাইটল লৌখ্রে





টাইৱান, ফেব্রুৱারী ০৫ :
যুক্রেনিয়নগী টোপ সীদ ইলিনা সভিটৌলিনানা মফম অসিদা চথখিবা টাইৱান ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পেং শুআইবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী মঙারকশুবা দব্লিয়ু টি এ টাইটল লৌখ্রে।

সভিটৌলিনানা দিসাইদরগী খুথাংদা মিনিট ৬৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা পেংবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। সভিটৌলিনানা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৭১ দা লৈরিবা চাইনিজবু মায়থীবা পীখিবদা সার্ভ তরুক্লক ব্রোক তৌখি।

টাইটল অসিনা সভিটৌলিনাগী কেরিয়রগী মঙারকশুবা ওইখি অমদি মহাক্না কুমজা ২০১৩ দগী চহী খুদিংগী ট্রোফি অমমম লৌবা ঙমদুনা মহাক্কী রেকোর্দ থমখি।

পনবা য়াই, যুক্রেনগী টোপ সীদ ইলিনা সভিটৌলিনানা টাইৱান ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা লক্সমবাগকী মেন্দি মিনেল্লাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

রেঙ্ক ৭১ দা লৈরিবী পেংনা মঙোন দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবী চেক রিপব্লিক্কী লুসি সাফারোভাবু থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

পেংনা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল চঙলকপগী লম্বীদা রেঙ্ক ৪০ শুবদা লৈরিবা চেক রিপব্লিক্কী কাটেরিনা সিনিয়াকোভা অমদি অনীশুবা সীদ অমদি ২৩শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী সামান্থা ষ্টোসুরবু মায়থীবা পীরমখি।

সভিটৌলিনা অমদি পেংনা কুমজা ২০১৪ গী ন্যু হেভন ওপনদা মায়োক্ন দুনা শান্নখিবদা চাইনিজ অসিনা সেট অনীদা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, টোপ সীদ যুক্রেনগী ইলিনা সভিটৌলিনানা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা টুনিসিয়াগী ওন্স জাবেউরবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

টাইপৈদা হেক থুংবগা লোক লাইহৌ তৌরকখিবী অমদি মালেমগী রেঙ্ক ১৩ শুবদা লৈরিবী সভিটৌলিনানা রেঙ্ক ১৮১শুবদা লৈরিবী জাবেউরবু ৬-১, ৩-৬, ৭-৬ (৭/৪) তা অকনবা লম্বা তৌনখ্রবা মতুং মায়থীবা পীখি। সভিটৌলিনানা সেমী ফাইনেল মেচতা লক্সমবার্গকী মেন্দি মিনোল্লাগা মায়োক্নদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা শুআই পেংনা অনীশুবা সীদ ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুরবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। পেংনা লাষ্ট ফোরদা চেক রিপব্লিক্কী লুসি সাফারোভাগা মায়োক্নদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখি।

কুমজা ২০১৫ দা মখুদাংদা শোকপদগী ওপরেসন তৌখ্রবা মতুং মতম খরা পোত্থাদুনা লৈরুবদগী মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা টেনিসতা হল্লকখিবী পেং হৌজিক রেঙ্ক ৭১ দা লৈরিবনি।

সফারাভোনা তরুকশুবা সীদ জপানগী মিসাকি দোইবু ৬-৪, ৭-৬ (৭/১) তা মায়থীবা পীখি অদুগা মিনেল্লানা চিনাগী লিন ঝুবু ১-৬, ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মেচ লোইখ্রবা মতুং সভিটৌলিনানা হায়খি, ওন্সনা ইথা থাজদনা শান্নখি হায়না খল্লি। মহাক্না অঙকপা মওংদা শান্নখিবা অদুদা ঐনা অরোইবদা মায় পাকখিবা অদুদা লাইবক ফবা হায়বদু ওইখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মেঘানা সাজানার, প্রাটিক বোর্সনা ইন্টরশুট ইন্টরনেসনল শুটিং কম্পিটিসনদা গোল্ড লৌখ্রে





ন্যু দেল্লি ফেব্রুৱারী ০৫ :
মেঘানা সাজানারানা নেদরলেন্দসদা চথরিবা লেমজনিঙাই ওইরবা ইন্টরশুট ইন্টরনেসনল শুটিং কম্পিটিসনগী ৱিমেন'স এয়র রাইফলগী ইন্দিভিজুয়েল অহুমদা গোল্ড মেদল লৌখি।

ন্যু দেল্লিদা থা অসিগী অরোইবা শরুক্ত পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী মাঙওইননা মশাগী চহী ২২ শুরবী মেঘানানা কোচ রাকেশ মানপাটকী মখাদা ট্রেন তৌরিবনি। শ্রীয়াঙ্কা সাদাঙ্গিনা সিলভর মেদল অনী লৌখি। মেঘানা সাজানারানা অহানবা নুমিৎকী ৱিমেন'স এয়র রাইফলস ইভেন্টতা পোইন্ট ২৫১.২ (৪১২.৫) লৌদুনা গোল্ড, শ্রীয়াঙ্কা সাদাঙ্গিনা পোইন্ট ২৪৮.৯ (৪১৫.৫) লৌদুনা সিলভর অমদি মান্দি মুল্ডরনা পোইন্ট ২২৮.২ (৪১১.৯) লৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অয়োনিকা পাউলনা তরাশুবা অমদি নামরাটা অরোয়ানা ১৮শুবা পোজিসন তাখি। লৈবাক অসিগীদমক রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াখিবী অয়োনিকা পাউলনা কম্পিটিসন অহুমগী ফাইনেলদা মায়থীখি।

অনীশুবা নুমিৎতা মেঘানা সাজানারনা পোইন্ট ২৪৭.৮ (৪১৬.৬) লৌদুনা গোল্ড, শ্রীয়াঙ্কা সাদাঙ্গিনা পোইন্ট ২৪৬.৯ (৪১২.৪) লৌদুনা সিলভর, রোক্সানা টুদোস (রৌ) পোইন্ট ২২৫.৮ (৪১৪.৩) লৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। নামরাটা অরোরানা নিপানশুবা, অয়োনিকা পাউলনা মাপনশুবা পোজিসন তাখি।

টিমদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১২৪১.৯ ফংদুনা গোল্ড, স্বিটজরলেন্দনা পোইন্ট ১২৩৫.৫ ফংদুনা সিলভর অমদি নেদরলেন্দসনা ১২৩৩.৪ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অহুমশুবা নুমিৎতা মেঘানা সাজানারনা পোইন্ট ২৪৮.৫ (৪১৬.৬) ফংদুনা গোল্ড, নিনা খৃষ্টেন (সুই) না পোইন্ট ২৪৭.৫ (৪১৫.৩) ফংদুনা সিলভর অমদি মারিনা বোসিজর (সুই) না পোইন্ট ২২৫.৮ (৪১৪.৫) ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। শ্রীয়াঙ্কা সাদাঙ্গিনা মরিশুবা, নামরাটা অরোরানা তরেৎশুবা অমদি অয়োনিকা পাউলনা তরামঙাশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী এয়র রাইফলদা প্রাটিক বোর্সনা অহুমশুবা নুমিৎতা গোল্ড মেদল লৌখিবগী মথক্তা অনীশুবা নুমিৎতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অহানবা নুমিৎতা জান লোচবিহলর (সুই) না পোইন্ট ২৪৬.০ (৬১৯.২) ফংদুনা গোল্ড, খৃষ্টোফ দুর (সুই) না পোইন্ট ২৪৫.৪ (৬১৫.৩) ফংদুনা সিলভর অমদি জোর্গেন পেরসন (স্বি) না পোইন্ট ২২৪.৭ (৬২১.৯) ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। প্রাটিক বোর্সনা মরিশুবা, অশ্বিনি ভার্টিনা তরাতরুকশুবা পোজিসন তাখি।

অনীশুবা নুমিৎতা এলিনজোর্জ মোল্ডোভেন্যু (রৌ) না পোইন্ট ২৪৯.৮ (৬২৫.৭) ফংদুনা গোল্ড, জান লোচবিহলর (সুই) না পোইন্ট ২৪৮.৪ (৬২১.৩) ফংদুনা সিলভর অমদি প্রাটিক বোর্সনা পোইন্ট ২২৬.৬ (৬২৩.৮) ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। অশ্বিনি ভার্টিনা কুন্নিথোইশুবা, গৌরাভ সিংহনা কুন্থ্রাহুমদোইশুবা পোজিসন তাখি।

টিমদা স্বিটজরলেন্দনা পোইন্ট ১৮৬৪ ফংদুনা গোল্ড মেদল, বেলজিয়মনা পোইন্ট ১৮৩৫.০ ফংদুনা সিলভর মেদল অমদি ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৭৯৪.৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

অহুমশুবা নুমিৎতা প্রাটিক বোর্সনা পোইন্ট ২৪৬.৮ (৬২১.১) ফংদুনা গোল্ড, জান লোচবিহলর (সুই) না পোইন্ট ২৪৬.২ (৬২৩.৮) ফংদুনা সিলভর অমদি পাস্কেল লোরেটান (সুই) না পোইন্ট ২২৪.৫ (৬১৭.০) ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। গৌরভ সিংহনা কুন্থ্রামাথোইশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়রগী এয়র রাইফলদা ভিনয় কুমার পটিলনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদলশিং লৌখি। জুনিয়রগী ৱিমেন'স এয়র রাইফলদা মিহিকা পুরনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি অদুবু মথংগী কম্পিটিসনদা মরিশুবা অমদি মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

# দেভিস কপ : রামকুমার রামান্থন, য়ুকি ভাম্ব্রিনা ইন্দিয়াবু ৪-১ দা মায় পাকহনখ্রে



পুনে, ফেব্রুৱারী ০৫ : রামকুমার রমান্থননা মফম অসিদা চথরিবা দেভিস কপ এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱানগী অহানবা টাইগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ন্যু জিলেন্দগী ফিন্ন টিরনেবু মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা য়ুকি ভাম্ব্রিনা জোস ষ্টাথমবু নক্মৎখিদুনা ৪-১ দা মায় পাকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ষ্টার রামকুমারনা বালেৱাদিগী শিভ চট্রাপাটি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পুং অনী চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা কিৱিগী ওপোনেন্টপু ৭-৫, ৬-১, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। অহানবা নুমিৎকী মহাক্কী সিঙ্গলস রব্বরদা জোস ষ্টাথমবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবা রামকুমারনা অহানবা সেট অদু মিনিট ৫১ চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি।

টিরনেনা অহানবা সেটতা মতীং থোক্না শান্নখ্রবসু মহাক্কী রাইভেলনা শুপ্পাই পায়শিনখিবদগী খজিক্তদা মায়থীখি। অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেটতা রামকুমারনা নিংথিনা শান্নখিদুনা কিৱিবু নক্মৎখিদুনা মায় পাকখি।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা রাউন্দদা উজবেকিস্তানগা লাক্লিবা এপ্রিল ৭ তগী ৯ ফাওবা শান্নগনি। উজবেকিস্তাননা অতোপ্পা ফার্ষ্ট রাউন দগী অৱে টাইদা সাউথ কোরিয়াবু মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ানা অহানবা নুমিৎতা য়ুকি ভাম্ব্রি অমদি রামকুমারনা মখোয়গী সিঙ্গলস রব্বর্সতা মথংশিংনা মায়োক্ন খিবা টিরনে অমদি ষ্টাথমবু মায়থীবা পীদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখিবনি।

ন্যু জিলেন্দনা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা দবলস রব্বরদগী টাইটল লৌখি। ন্যু জিলেন্দগী অর্টেম সিটাক অমদি মাইকেল ভেনসনা ইন্দিয়াগী ভেটরান লীএন্দর পেস অমদি ভিষ্ণু ভর্ধর্নবু মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা অমদি রেঙ্ক ২৭৬ তা লৈরিবা রামকুমারনা এস ১২ কনখি অদুবু মহাক্না দবল ফোলট মাপন তৌখি। টরনিনা দবল ফোলট ১৬ তৌখি। কিৱিগী প্লেয়র অসিনা গেম ১২ দা দবল ফোলট অহুম য়াওনা ওপনিং সেটতা দবল ফোলট ১০ তৌখিদুনা মহাক্কী ইন্দিয়ন ওপোনেন্টকী মখুৎতা শোত্থনা লৈখি।

নহা ওইরিবা ইন্দিয়ন অসিনা ইচঙ থৌনা শান্নরক্তুনা গেম মঙাগী মনুংদা অহুম সেভ তৌখি। মদুদা মহাক্কী দবল ফোলট অনীরক তৌখি। তুংদা মহাক্না তরামাথোইশুবা গেমদা সেভ মরি তৌখিবগা লোয়ননা এস মঙা কনখিদুনা ৬-৫ দা লৈখি। মখা তানা কিৱিবু নক্মৎখিদুনা মায় পাকখি।

য়ুকি ভাম্ব্রিনা মঙাশুবা রব্বরদা জোস ষ্টাথমবু পুং অমগা মিনিট ৫৫ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৭-৫, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা চেন্নাই মচা অসিনা মহাক্কী মেচ মায় পাকখিদুনা ইন্দিয়ানা ৪-১ দা টাই অসি লৌবা ঙমখিবদা টিম মেম্বরশিংনা মখোয়গী লৈবাক্কী মচু অহুমগী ফিরাল পায়দুনা ষ্টেদিয়মদা হরাউবা ফোঙদোক্তুনা কোয়না চৎখি।

ইন্দিয়াগী মায় পাকখিবা অসিনা অনন্দ অম্রিট্রাজনা চহী অহুম চুপ্পা টিম কেপ্টেন ওইদুনা লাকখিবা অদু লোইশিনহনখি অমদি মহাক্কী মহুৎতা মহেশ ভুপটিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইদুনা লাক্লিবা এপ্রিলদা উজবেকিস্তানগা শান্নগদবা অনীশুবা রাউন্দগী টাইদা ইন্দিয়া টিমবু লুচিংগনি।

# ইরান্না য়ু এসকী রেষ্টলিং টিমদা ভিজা পীবদা য়াখ্রে

টেহরান, ফেব্রুৱারী ০৫ : ইরান্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রী ষ্টাইল ৱর্ল্ড কপ কম্পিটিসনদা শরুক য়ানবগীদমক য়ু এস এগী রেষ্টলিং টিমবু লৈবাক অসিদা চঙবদা অয়াবা পীরে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ইভেন্ট অসি কর্মানশাহ প্রোভিন্সতা ফেব্রুৱারী ১৬ তগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না ইফে ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরি। নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ইরাননা ভিজা পীবা য়াখিদ্রবা মতুং ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় বাহরাম ক্বাসিমিনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়, মহাক্কী দিপার্টমেন্টনা য়ু এস এগী এঠলেটশিংদা ভিজা পীননবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

ইরাননা য়ু এস এগী রেষ্টলিং টিমদা ভিজা পীরোই হায়না লৌখিবা ৱারেপ অদু য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এক্সিক্যুটিব ওর্নর অমনা য়ু এস এদা মুস্লিমগী মেজোরিটি লৈবাক তরেৎকী মীওইশিং চঙবা থিংখিবদগী লৌখিবনি।

ইরাননা হৌখিবা চয়োলদা বেল্লিষ্টিক মিসাইল টেষ্ট তৌখিবা অদুদগী লৈবাক অনীনা উংখৎনদুনা লৈরকখিবনি অমদি ৱাশিংটন্না মসিগী ৱেপন প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা ইন্দিভিজুয়েল অমদি গ্রুপশিংদা নৌনা সেঙ্কসন তৌখিবনি।

# আই-লীগ : শিল্লোং লাজোংনা চর্চিল ব্রদরসপু মায়থীবা পীখ্রে, দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সিনা দ্রো চৎখ্রে

শিল্লোং/পুনে, ফেব্রুৱারী ০৫ :
এসর পেরিক দিপান্দা দিক্কাগী সিজন অসিগী তরুকশুবা গোলনা শিল্লোং লাজোংনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা আই-লীগকী তরেৎশুবা রাউন্দগী মেচতা চর্চিল ব্রদরসপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, পুনেগী শ্রী শিভা চত্রাপট্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা আই-লীগকী অতোপ্পা মেচ অমদা দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সি অনীনা গোল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

শিল্লোং লাজোং অমদি চর্চিল ব্রদরস অনীগী মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা শিল্লোং লাজোংগী সোলিটরি গোল অদু দিপান্দানা মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা চনখি।

টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা মেচ অদু শান্নবা হৌরকখি। টিম অনীনা মখোয়-মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংদা গোল চন্নবা এটেকশিং তৌনখি। শিল্লোং লাজোংনা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা গোল চন্ননবা এটেক তৌখ্রবসু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদি গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মেচকী মিনিট ৫১ চৎপা মতমদা শিল্লোং লাজোংগী দিপান্দানা গোল অমা চন্দুনা চর্চিল ব্রদরসপু মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, শ্রী শিভা চত্রাপট্টি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা দি এস কে শিভাজিয়ন্স অমদি বেঙ্গলুরু এফ সি অনীগী মেচ অদু গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি। শিভাজিয়ন্সকী গোল অদু নরজরেনা মেচকী মিনিট ৪১ অমদি ৫৫ চৎপা মতমদা চনখি। অদুগা বেঙ্গলুরু এফ সিগী গোল অদুনা সুনিল ছেট্রিনা মেচকী মিনিট ৫৫ অমদি এস সিংহনা মেচকী মিনিট ৯০ চৎপা মতমদা চনখি।

# ঐচ আই এল ২০১৭ : রাঞ্চি রেজ, উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে



রাঞ্চি, ফেব্রুৱারী ০৫ :
মফম অসিগী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা রাঞ্চি রেজ অমদি উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দস অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংনখি অদুবু গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। য়ু পি ৱিজার্দসনা পেনালটি কোর্নর মঙা ফংখি অদুগা য়ুম্বুনা অহুম ফংখি। অদুবু টিম অমত্তনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদবনা ৱিন্নর ওইবা ঙম্নখিদে।

রাঞ্চি রেজ অমদি য়ু পি ৱিজার্দসনা মেচ হেক হৌখিবগা গ্রি গ্রি তকশিন্নদুনা শান্নরকখি। অমনা অমগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসরশিং পীনদুনা তকখৎনখি।

য়ু পি ৱিজার্দসকী বেলজিয়ন ফ্লোরেন্ট ভান অউবেলনা মেচকী মিনিট তরেৎ চৎপা মতমদা মায়োক্নখিবা টিমগী দিফেন্দর অনী লান্থোক্লগা রাঞ্চিগী সার্কলদগী থাজিনখিবা বোল অমা গোলকিপর টেলর লোভেলনা ঙাকথোকখিবদগী গোল চল্লম্বা য়াবদু অরেম্বদা তাখি। মখা তাবা মেচতা য়ু পি ৱিজার্সনা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু মদু ভিজিটরনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মিনিট অহুমগী মতুংদা য়ুম্বুনা তৌখিবা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু আশলে জেক্সননা নিংথিনা বোল অদু কনখিদবনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না অনীশুবা ক্বার্টরদা মুদ হন্না শান্নরকখ্রবসু মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীনবদি লেপখিদে।


ওষ্ট্রেলিয়াগী ফ্লায়ন ওগিলভনা মেচকী মিনিট ২৬ চৎপা মতমদা রাঞ্চিগীদমক ২-০ দা লৈহন্নবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু মহাক্না পোষ্ট ময়া নক্না কনশিনখিবা বোল অমা গোলকিপর পি আর শ্রীজেশনা অথিংবা পীদুনা গোল চলহনখিদে।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না অকনবা দিফেন্সতা শান্নরক্তুনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদশিংনা তৌনখিবা গোল এটেম্পশিং অরেম্বা তাহন্নখি। রাঞ্চিনা অয়াম্বা মতমদা পাস পীবদা চান্নখিদবদা অয়েংবা হোম ক্রাউদশিংনা নিংবা কায়দুনা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউশিন্নখি।

টিম অনীমক্না গোল চন্নবা অঙন্বা শক্তিশিং পুথোক্লদুনা শান্নখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি।

দ্রো চৎখিবা অসিনা রাঞ্চিনা গেম তরেৎতগী পোইন্ট ১৭ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। য়ু পি ৱিজার্দসনা মেচ অহুমদগী পোইন্ট নিপান ফংলগা মরিশুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি। কলিঙ্গা লেন্সর্সনা মেচ তরুক্তগী পোইন্ট ২০ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা দবাং মুম্বাইনা গেম তরুক্তগী পোইন্ট ১৮ ফংদুনা টোপ স্পোটতা লৈখি। জয়পী পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা মেচ অহুমদগী পোইন্ট তরুক ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন অমদি দেল্লি ৱেভরাইদর্সনা মেচ অহুমদগী পোইন্ট মরি ফংদুনা অরোইবা অমদি তরুকশুবদা লৈখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দগী মখুৎতা ০-২ দা সেরিজ মায়থীখ্রবসু আই সি সি রেঙ্কিংগী টোপতা লৈরি



দুবাই, ফেব্রুৱারী ০৫ :
ওষ্ট্রেলিয়ানা হামিল্টনদা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা চেপ্পেল হেদলী সেরিজদা ন্যু জিলেন্দগী মখুৎতা ০-২ দা সেরিজ মায়থীখ্রবসু আই সি সি ও দি আই টিম রেঙ্কিংদা টোপ স্পোটতা অদুমক লৈবা ঙমখ্রে।

সেরিজ অসি মায়থীখিবা অসিনা ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্না লৈরম্বা পোইন্ট ১২০ দগী তাথখিদুনা ১১৮ দা লৈখিদুনা সাউথ অফ্রিকাগা মান্ননা লৈখি অদুবু পোইন্ট খরখক হেন্দুনা মাঙজিল থানা লৈবা ঙম্লি। প্রোটিজনা করিগুন্বা মখোয়না শ্রী লঙ্কাগা মায়োক্নদুনা শান্নরিবা সেরিজ অসি ৫-০ দা মায় পাক্লবদি নৌনা ও দি আইগী নম্বর ৱান ওইবা ঙম্লগনি।

মেচ মঙাগী সেরিজ অসিদা সাউথ অফ্রিকানা ৩-০ দা শ্রী লঙ্কাদগী মাঙজিলথানা চৎলি। মখোয়না ইন এক্সপরিয়েন্স শ্রী লঙ্কান সাইদকী মায়োক্তা মায় পাক্লবগী খুদোংচাবা লৈরি। করিগুন্বা মখোয়না সেরিজ অসি ৫-০ দা মায় পাক্লবদি সাউথ অফ্রিকানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী পোইন্ট অমা হেঙ্গৎনা ১১৯ দা মাঙজিল থাগনি।

সেরিজ অসি মায় পাকপনা ন্যু জিলেন্দনা পোইন্ট ১১৩ ফংদুনা মথক কাখৎলগা অহুমশুবা রেঙ্কিংদা লৈবদা মতেং পাংগনি।

মসি ন্যু জিলেন্দনা রেঙ্ক মরিশুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াদগী পোইন্ট অমা হেল্লগনি।

লাক্লিবা জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ফাওবদা ভিরাট কোহলিগী টিমনা ও দি আই মেচ অমত্তা শান্ননবা সেদ্যুল লৈত্রি। ইন্দিয়ানা হৌজিক চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইরিবনি।

ট্রেন্ট বৌল্টনা রন ৩৩ পীথোক্লগা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মহাক্কী ও দি আই কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইখিদুনা গেম অনীদা ৱিকেট মরি লৌবা ঙমখিবা মিটচেল ষ্টার্কতগী মাঙজিল থানা আই সি সি বোল্লরগী রেঙ্কিংদা টোপ স্পোটতা লৈখি।

মহাক্কী ১৬শুবা ও দি আই সেঞ্চুরি লৌখিবা রোস টেলরনা বেটসমেনগী লিষ্টতা ১৬শুবা পোজিসনদা লৈখি অদুগা কেন ৱিলিয়মসন অমদি মার্টিন গুপটিলনা টোপ টেনগী মনুংদা লৈবা ঙম্বা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ওইখি। লিষ্ট অসিদা দেভিদ বার্নরনা মাঙজিল থারি। মহাক্না সাউথ অফ্রিকা, ন্যু জিলেন্দ অমদি পাকিস্তানগা মায়োক্নখিবা ও দি আই ১৩ দা সিক্স চাম্মা কনখি।

ন্যু জিলেন্দগী মথংগী সেরিজনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা হোমদা শান্নগনি। মসিদা মখোয়না টি-২০ ইন্টরনেসনল অমা, ও দি আই মেচ মঙা অমদি টেষ্ট অহুম শান্নগনি।


**ANGELS'** COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY


**ADMISSION OPEN** Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

## 5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

## RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3606/12/01-11/02